# অৱাং নোংপোক্কী অহানবা ভারত গৌরব ট্রেন মার্চ ২৩ দা গুৱাহাটিদা থুংলরগনি

গুৱাহাটি, মার্চ ১৯ (এজেন্সি):
অসাম য়াওনা অৱাং নোংপোক লমদমগী ষ্টেটশিংগী মরমদা থিজিনবদা খুদোং চাহন্নবা মওংদা অখন্নবা দিজাইন তৌবা ভারত গৌরব দিলক্স এসি টুরিষ্ট ট্রেন ন্যু দিল্লিদগী মার্চ ২৩ দা গুৱাহাটিদা থুংলগনি।

ট্রেনগী খোঙচৎ অদু মার্চ ২১দা দিল্লিগী সবদরজং রেলৱে ষ্টেসনদগী হৌগনি অমসুং মার্চ ২৩ দা গুৱাহাটি রেলৱে ষ্টেসনদা থুংগনি হায়না এন এফ রেলৱেগী ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

নুমিৎ ১৫ নিগী ওইবা টুর অদুদা ট্রেন অদুনা অসামগী গুৱাহাটি, সিব সাগর, ফুরকাটিং, ট্রিপুরাগী য়ুনাকোটি, অগরতালা অমসুং উদয়পুর, নাগালেন্দগী দিমাপুর অমসুং কোহিমা অমদি মেঘালয়গী শিল্লোং অমসুং চেরাপুঞ্জি কোভর তৌরগনি।

এন এফ রেলৱেগী ওফিসল সবাসাসি দেনা হায়, ভারত গৌরব দিলক্স এসি ট্রেন নম্বর ০০৪১২ অসি চহী অসিগী মার্চ ২১ গী নুংথিল পুং ৩.২০ তাবা মতমদা দিল্লিগী সবদরজং ষ্টেসনদগী খোঙশাল্লক্কনি। টুরিষ্টশিংনা গাজিয়াবাদ, অলিগর, কুন্দলা, ইটাৱা, কানপুর অমসুং লক্ষ্ণৌ ষ্টেসনশিংদা কাখৎপা অমদি ট্রেন অদুদগী কুমথবা য়াগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।




দেনা মখা তানা হায়খি, মদুদি অহিং ১৪ পুন্না নুমিৎ ১৫ নিগী ওইবা ট্রেনগী খোঙচৎ অদুদা অহানবা ওইনা মদু মার্চ ২৩ দা গুৱাহাটিদা খামগনি। মফম অদুদা টুরিষ্টশিংনা কমক্ষ্যা টেম্পল ভিজিট তৌগনি। মদুগী মতুংদা উমানন্দ টেম্পল ভিজিট তৌবগা লোয়নন্না ব্রহ্মপুত্রদা ক্রুজ ট্রাবেল্লিং তৌগনি।

ট্রেন অদু মখা তানা অহিংগী খোঙচৎতা মার্চ ২৫ দা নাহল লগুন রেলৱে ষ্টেসনদা থুংগনি। ষ্টেসন অদু মথংগী পস্তুংফম ওইরিবা অরুনাচল প্রদেশকী কেপিটেল ইটানগরদগী কিমি ৩০ রোম লাপ্পা লৈগনি। মদুগী মতুংদা টুরিষ্টশিংনা য়েংশিনগদৌরিবা মথংগী সিটি অদু অসামগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা অহোং কিংদমগী অরিবা কেপিটেল সিব সাগর অসিনি। টুরিষ্টশিং মার্চ ২৬ তা সিব সাগরদা থুংগনি। মমিং লৈরবা সিব সাগরগী সিবাদোল অসি অতৈ হেরিটেজ সাইটশিংগা লোয়নন্না প্রোগ্রামগী মনুং চল্লি।

মতুং তাবদা টুরিষ্টশিংনা জে রহাটতা থুংদুনা টি গার্দেনশিং য়েংগনি অমদি কাজিরঙ্গদা অহিং পনগনি। মদুগী মতুং অয়ুক অঙনবদা কাজিরঙ্গ নেসনেল পার্কতা জঙ্গল সফারি চখগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

এন এফ রেলৱেগী ওফিসল অসিনা হায়রি, মদুদি দিলক্স এসি টুরিষ্ট ট্রেন অদু মার্চ ২৭ তা ফুরকাটিং রেলৱে ষ্টেসনদগী ট্রিপুরা ষ্টেট পাগগনি। ষ্টেট অসিদা টুরিষ্টশিংনা মমিং চৎলবা উজেন্তা পেলেস য়াওনা অগরটালা অমসুং য়ুনাকোটিগী মমিং চৎলবা হেরিটেজ সাইটশিং য়েংবা য়াগনি।

মথংগী নুমিত্তা নিরমাহল পেলেস অমসুং ট্রিপুরা সুন্দরি মন্দির য়েংগনি। ট্রিপুরাদগী মার্চ ২৯ দা ট্রেন অদু নাগালেন্দগী দিমাপুর পাগগনি।




মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা দি রাইটর্স প্লেটফোর্ম মণিপুর শাফোংবা অমদি সেরাম ইবোয়াইমনা ইবা *পোক্লফম ঐগী* কৌবা লাইরিক ফোংবগী থৌরম

# দিলিমিটেসনগা মরী লৈননা ইলেক্সন কম্মিসনগী টিম মার্চ ২৬ তা অসামদা লাক্লগনি

গুৱাহাটি, মার্চ ১৯ (এজেন্সি):
অসামগী কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী দিলিমিটেসন এক্সর্সাইজকী মাঙওইননা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ই সি আই) গী ফুল বেঞ্চ অমা মার্চ ২৬ তগী ২৮ ফাওবগী খোঙচৎতা ষ্টেট অসিদা লাক্লগনি।

খোঙচৎ অদুদা চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর রজিব কুমার, ইলেক্সন কম্মিস্নর অনী অনুপ চন্দ্র পান্দে অমসুং অরুন গোয়ল য়াওবা ই সি আইগী টিম অদুনা পোলিটিকেল পার্টিশিং অমসুং সিভিল সোসাইটিশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা ষ্টেক হোল্ডরশিংগা উন্নগনি অমসুং অসামগী কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী দিলিমিটেসন এক্সর্সাইজ পাঙথোক্রিঙৈগী মাঙওইননা দিস্কসন চখগনি।

ই সি আইগী ষ্টেটমেন্টগী মতুং ইন্না অসামদা হৌজিক চখরিবা দিলিমিটেসন এক্সর্সাইজকা মরী লৈননা ষ্টেক হোল্ডরশিং অমসুং মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বশিং অমসুং হৌজিক লৈরিবা থাঙ্গৈশেংবা ফিভম খঙদোক্লবগীদমক কম্মিসন্না অসামদা চৎননবা লেপখিবনি।

হন্দক্কী খোঙচৎ অদুদা কম্মিসন্না পোলিটিকেল পার্টিশিং, পব্লিক ফিগরশিং, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং, সোসল সার্ভিস প্রোভাইদরশিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসরশিং অমদি দিপ্যুটি কম্মিস্নরশিং য়াওনা ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসন ওফিসলশিংগা উন্নদুনা ফার্ষ্ট-হেন্দ ইনফোর্মেসন লৌগনি।

কম্মিসন্না হায়রি, মদুদি বোদি অসিনা ষ্টেক হোল্ডর পুম্নমকপু দিলিমিটেসনগী এক্সর্সাইজ অদুদা মতেং পাঙহনবা পাম্মী। মসিদা নত্তনা এসাইনমেন্ট অদু মতম চানা লোইশিনবা ঙম্নবা মমল য়াম্লবা সজেসনশিংসু পীরকপা পাম্মী। অসুম তৌরবদি হৌজিক চখরিবা দিলিমিটেসনগী প্রোসেসকা মরী লৈনবা ইনফোর্মেসন লৌনবা হোৎনরিবদু হেন্না মায় পাকপা হায়বদু ওইগনি হায়না কম্মিসন্না ফোঙদোকখি।

অসাম গভর্ণমেন্টনা মমাঙদা কেবিনেট মীটিং অমা পাঙথোক্তুনা ৱারেপ লৌরবা মতুং দিষ্ট্রিক্ট মরি অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংগা পুনশিন্নহনখিবনি। কেবিনেট মীফম অদু ই সি আইনা এদমিনিষ্ট্রেটিব রিফোর্মদা থল্লিবা অথিংবা চৎনগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা পাঙথোকখিবনি।

## স্পিকর ফমগী নোমিনেসন অমখক্তমক ফাইল তৌখ্রে



দিমাপুর, মার্চ ১৯ (এজেন্সি):
নোমিনেসন পেপরশিং ফাইল তৌবগী অরোইবা তারিক অমসুং মতম ফাওবদা নাগালেন্দগী লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকরগী ফমগীদমক শুপ্নগী নোমিনেসন অমখক্তমক রিসিপ তৌখি হায়না নাগালেন্দ লেজিসলেটিব এসেমব্লি সেক্রেটরিএটনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোরক্লি।

এসেমব্লি সেক্রেটরিএটনা হায়রি, মদুদি ১৪ শুবা নাগালেন্দ লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মেম্বর সরিংগাইন লোংকুমেরনা মার্চ ১৮ দা স্পিকরগী ফম অদুগীদমক মহাক্কী নোমিনেসন ফাইল তৌরকখি।

রোং কুমেরগী কেন্দিদেচর অদু মিনিষ্টর টেমজেন ইমনা অলোংনা প্রপোজ তৌখি অমসুং এদভাইজর কেখ্রি হৌলি য়োহোমেনা সেকেন্দ তৌখি। লোং কুমের ১৩ শুবা নাগালেন্দ লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকরসু ওইখি।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা মীখলদা মহাক এন দি পি পিগী টিকেটতা মায় পাকখিবনি। ৱিদ্রোৱলগী তারিক অমসুং মতম লোইবা ফাওবদা নোমিনেসন ৱিদ্রোৱল তৌবা লৈখিদে হায়নসু এসেমব্লি সেক্রেটরিএটনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

নাগালেন্দ লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকরগী ফমগী মীখল মার্চ ২০ দা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

## জি ২০ মিট: ইনভেষ্টরশিংনা সিক্কিমদা লুপা ক্রোর ১০০০ থাদবা পাম্মী

গেংতোক, মার্চ ১৯ (এজেন্সি):
ইনভেষ্টরশিংনা তোঙান তোঙানবা সেক্তরশিংদা সিক্কিমদা লুপা ক্রোর ১০০০ ইনভেষ্ট তৌনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরক্লে হায়না ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর প্রেম সিংহ তমাংনা ফোঙদোকখ্রে।

সিএম প্রেম তমাংনা হায়খি, মদুদি গভর্ণমেন্টনা অথুবা মতমদা ইনভেষ্টরশিংদা খুদোংচাহনগদবা পোলিসিশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌবা হৌরগনি।



সিক্কিমগী সিএম অসিনা মখা তাখিবদা মার্চ ১৬ তা পাঙথোকখিবা জি২০ গী মীটিং অমদা ইনভেষ্টরশিংনা ষ্টেট অসিদা ইনভেষ্ট তৌনিংবগী অপাম্বা উৎখিবা অদুনা ষ্টেট অসিবু তুং কোইনগী ওইনা কান্নহনগনি। সিক্কিমগী চীফ সেক্রেটরি ভি বি পাথক্না ফোঙদোকখিবদা জি ২০ লৈবাক ১২ গী রিপ্রজেন্টেটিবশিংনা বি২০ কনফরেন্স অদুদা শরুক য়াখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি ইনভেষ্টরশিংনা আই টি অমসুং আই টি ই এস, ইনফ্রাষ্ট্রকচর, রিন্যুৱেবল ইনর্জি, মাইক্রো ব্রিৱারি, স্কিল দিভলপমেন্ট, এদুকেসন, এগ্রি-প্রোসেসিং, ওর্গানিক ফার্মিং, ফোরেষ্ট প্রদক্ট অমসুং হোস্পিটালিটি সেক্তরশিংদা লুপা ক্রোর ১০০০ হেন্না ইনভেষ্ট তৌনিংবগী অপাম্বা উৎলক্লে।

পাথক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি ইনর্জিগী মতাংদা হাইদ্রো পৱারগী মপান চাদা ৯৫ তাংলিবা কোষ্টারিকানা সিক্কিমগা কোল্লাবোরেসন তৌনিংবগী অপাম্বা উৎলক্লে। ষ্টেট অসিসু হাইদ্রোপৱারগী পোটেন্সিএল চাওনা লৈ। মহাক্কী মতুং ইন্না নোর্ৱেনা সিক্কিমদা অপীকপা হাইদ্রো অমসুং টনেল্লিং এক্তিভিটিশিংদা য়াওনিংবগী অপাম্বা উৎলক্লে।

অমরোমদা, স্বিদেননা হিমালয়ন ষ্টেট অসিগী এদুকেসন সেক্তর সপোর্ট তৌনিংবগী অপাম্বা উৎলক্লে। নেপাল, ভুটান অমসুং বাংলাদেশকুম্বা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংনা পাকয়োং অমসুং বাকদোগ্রাগা ইন্টরনেসনেল এয়র কন্নেক্টিভিটি লৈহন্নিংবগী অপাম্বসু উৎলক্লে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী সেক্রেটরি জেটি ভুটিয়ানা হায়খি, মদুদি স্বিজরলেন্দনা সিক্কিমগী ওর্গানিক প্রদক্টশিংদা ইন্টরেষ্ট উৎলক্লে। মরু ওইনা য়ুরোপ অমসুং য়ুএসতা ওর্গানিক পোথোকশিংগী মার্কেট চাওনা লৈদুনা অসিগুম্বা পোথোকশিংদা স্বিটজরলেন্দনা মীৎয়েং চঙনিংবগী অপাম্বা উৎলকখিবনি। মহাক্কী মতুং ইন্না পোথোকশিং মার্কেটশিং অসিগী ক্বালিটি ষ্টেন্দর্দকা চান্নবা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট তরুক্তা টেষ্টিং লেবশিং শেমগৎলগনি। ইন্দিয়ানা পায়রিবা জি ২০ প্রসিদেন্সিগী মখাদা নৌনা শেমখিবা ষ্টার্ট অপ ২০ ইনভেষ্টমেন্ট গ্রুপকী অনীশুবা মীফম থাংজ নুমিত্তগী হৌখ্রে।

## এ আর অমসুং নার্কোটিক্স দিপার্টমেন্টনা আইজোলদগী হেরোইন গ্রাম ৪৪৩ ফাখ্রে

আইজোল, মার্চ ১৯ (এজেন্সি):
থাজবা য়াবা অরোনবা পাউ অমা ফঙবদগী অসাম রাইফলসকী ট্রুপশিং অমসুং ষ্টেট এক্সাইজ এন্দ নার্কোটিক্স দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা মিজোরামগী কেপিটেল আইজোলদা হেরোইন গ্রাম ৪৪৩ ফাবা ঙমখ্রে হায়না অসাম রাইফলসকী ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লূপা ক্রোর ২.২ হেনগদবা লোনা অথিংবা থম্বা পোৎশক অদু সাপোন কেস ৩৫ দা লোৎলম্বনি হায়না ওফিসল অসিনা ফোঙদোকখি।

ওফিসল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লোকেল মীওই অমা হেরোইন অদুগা মরী লৈননা ফাখি। ফারবা হেরোইন অমদি একুজ অদু নুমিত্তুমক্তদা এক্সাইজ অমসুং নার্কোটিক্স দিপার্টমেন্টতা শিন্নখ্রে।

মদুগী মমাঙ মার্চ ১৫ দা ২৩ সেক্তর অসাম রাইফলসকী সর্চিট বত্তালিয়ন্না মিজোরামগী চম্ফাই দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা জোখাউথার এরিয়াদগী লূপা লাক্ষ ৯০ গী ভেল্যু ওইবা মপানদগী লাকপা ইল্লিগেল সিগরেট কেস ৬০ রিকোভর তৌখিবনি।

ওপরেসন অদু অকক্নবা থাজবা য়াবা ইনফোর্মেসন অমদা য়ুম্ফম ওইরগা অসাম রাইফলস অমসুং কষ্টমস দিপার্টমেন্ট, চম্ফাইগী অপুনবা টিম অমনা পাঙথোকখিবনি।

## CROSSWORD-3818



**ACROSS**

1. Local charity organisation (5,5)
7. Royal Engineers(7)
8. Clever(5)
10. Painting medium(4)
11. One who is not an aristocrat (8)
13. Calling(6)
15. Promise(6)
17. Teach(8)
18. Shed, throw off(4)
21. Take eagerly(5)
22. Feeling, sentiment(7)
23. Stubborn(10)

**DOWN**

1. Drive back(5)
2. Not new(4)
3. Tyrant(6)
4. Put together(8)
5. Erudite(7)
6. Amazing(10)
9. Torturing(10)
12. Brave(8)
14. Error(7)
16. Receive willingly(6)
19. Imitating(5)
20. Extinct bird of Mauritius(4)

Solution 3817




SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-5116

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | 5 | 3 | 7 | | 4 |
| | | | | | | | 2 | |
| 7 | | | 4 | 8 | 1 | | 3 | |
| 6 | 8 | | | | 2 | | | 9 |
| | | | | 7 | | | | |
| 4 | | | 6 | | | | 5 | 3 |
| | 2 | | 8 | 1 | 9 | | | 6 |
| | 5 | | | | | | | |
| 9 | | 8 | 5 | 2 | | | | |

### Solution-5115

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 2 | 6 | 1 | 5 | 7 | 8 | 3 | 4 |
| 3 | 8 | 1 | 2 | 4 | 9 | 6 | 5 | 7 |
| 4 | 7 | 5 | 3 | 6 | 8 | 1 | 9 | 2 |
| 1 | 4 | 7 | 6 | 9 | 2 | 3 | 8 | 5 |
| 2 | 9 | 3 | 7 | 8 | 5 | 4 | 1 | 6 |
| 6 | 5 | 8 | 4 | 3 | 1 | 2 | 7 | 9 |
| 7 | 1 | 4 | 5 | 2 | 3 | 9 | 6 | 8 |
| 8 | 3 | 2 | 9 | 7 | 6 | 5 | 4 | 1 |
| 5 | 6 | 9 | 8 | 1 | 4 | 7 | 2 | 3 |

## EMPLOYMENT NEWS

### SAINIK SCHOOL GOALPARA RECRUITMENT 2023 FOR PGT (MATHEMATICS)

Vacancy Circular No: -

Sainik School Goalpara PGT (Mathematics) Recruitment 2023
Advertisement for the post of PGT (Mathematics) in Sainik School Goalpara. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 31st March 2023. Candidates can check the latest Sainik School Goalpara Recruitment 2023 PGT (Mathematics) Vacancy 2023 details and apply online at the sainikschoolgoalpara.org/ recruitment 2023 page.
Sainik School Goalpara Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ sainikschoolgoalpara.org/. Sainik School Goalpara selection will be done on the basis of test/ interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of sainikschoolgoalpara.org/ recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
PGT (Mathematics)
Job Location:
Rajapara, Goalpara, 783133 Assam
Last Date: 31st March 2023
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 01 Posts
Educational Qualification:
(a) Post Graduate in Mathematics with a recognized degree in education or possessing equivalent degrees from the Regional College of Education.
(b) Qualified CTET/STET.
Pay Scale:
INR
47600/- Per Month
Age Limit: 21-40 Years.
Application Fee: please refer to official notification.
Selection Procedure: please refer to official notification.
How to Apply:
Application is to be submitted on prescribed proforma with a recent passport-size photograph giving full address and resume with contact number (compulsory), along with attested copies of mark sheets, other testimonials, and a demand draft for Rs. 1000/- (nonrefundable) drawn in favor of "Principal, Sainik School, Goalpara" payable at State Bank of India, Mornoi (Code No.9148)" (This Job Source is Employment News 11-17 March 2023, Page No.42).
Important Dates:
Published on: 10th March 2023
Last date for application is: 31st March 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### NORTHEAST FRONTIER RAILWAY RECRUITMENT 2023 FOR FEMALE DANCER, TABLA PLAYER

Vacancy Circular No: 01/2023

Northeast Frontier Railway (NFR) Female Dancer, Tabla Player Recruitment 2023
Advertisement for the post of Female Dancer, Tabla Player in Northeast Frontier Railway (NFR). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 21st March 2023. Candidates can check the latest Northeast Frontier Railway (NFR) Recruitment 2023 Female Dancer, Tabla Player Vacancy 2023 details and apply online at the nfr.indianrailways.gov.in/ recruitment 2023 page.
Northeast Frontier Railway (NFR) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ nfr.indianrailways.gov.in/. Northeast Frontier Railway (NFR) selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of nfr.indianrailways.gov.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Female Dancer, Tabla Player
Job Location:
Guwahati, Kamrup, 781011 Assam
Last Date: 21st March 2023
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 02 Posts
Educational Qualification: Candidates Should have 12th (+ Stage) or its Equivalent Examination with not less than 50% Marks
Pay Scale:
INR
144200/- Per Month
Age Limit: 18-30 Years.
Application Fee:
For All Candidates - Rs.500/-.
SC / ST / Ex-Servicemen, PwBD, Women - Rs.250/-.
Selection Procedure: please refer to official notification.
How to Apply:
Applications should be sent to Northeast Frontier Railway (NFR) office. Send your fully filled applications to
Senior Personnel Officer (Recruitment)
Office of the Principal Chief Personnel Officer,
Northeast Frontier Railway HQ, Maligaon,
Guwahati - 781011 (Assam), India. (This Job Source is Employment News 11-17 March 2023, Page No.26).
Important Dates:
Published on: 8th March 2023
Last date for application is: 21st March 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification




